
চীংমী-তম্মী মীতৈনি



চীংমী-তম্মী মীতৈনি

ইবা অমসুং কোওবা—কংলৈ ঈনাৎ থিবলোন কাঙলুপ

কংলৈ ঈনাৎ থিবলোন কাঙলুপকী মাওই

১। রাই, তম্ফাজাও, প্রেসিডেণ্ট

২। এস, জিলা, সেক্রেটরী

৩। টি, থরা, মেম্বর

৪। এন, তোমচৌ, মেম্বর

৫। এস, পাওতাকচাও, মেম্বর

৬। সি, ঐচ, যাইফবা, মেম্বর

৭। রাহেংবম অঙাতোন, মেম্বর

অনিবকশুবা নম্বা— লাইবিক মশীং ১০০০

পালচা ৩৩৭৮ খৃঃ ১৯৮০

মমল লুপা ২.০০

ৱাহৌদোক

ঈরৈপাক "কংলৈপাক" অসিগী মতুংদা অমত্তা ঙাক্নরা কংলৈ ঈনাত থিবলোল কাংলুপকী মীওই ঐখোয়না খুরাই মরোগী মক্কদা "চীঙমী— তম্মী মী তনি" হায়বা লাইরিক মচা অসি লানথোক্ক- চবি। মনিযাক্ষম পালচা কুমসিং ৩১০৭ (খৃঃ ১৭০৯) দা পামহৈবনা নিংথৌ ওইরে। নিংথৌ অসিগী হাকতক্কগীনা ঙসি মীতৈ কুমশিং পালচা ৩৩৭৬ (খৃঃ ১৯৭৮) গী অরোইবা তাংকক য়োৎক্রবা ফাওবা অসিদা ঈনাত অমস্মুং ঈলোলনচিংবা কয়া অসি লৈখা তাহ্না লৈরি। লোইননা ঐখোয অসি করি লৃচৎ (ধর্ম্ম) চৎপা মীওই- নো হায়বসি খঙদনা লৈরকলি। কোক্লা সাগী মকোক পানবা অহ্নগা হকচাংনা মী ওইবা ককুই কৈওইবা হায়মদো ঐখোয় ওইরে। ঈরৈপাকী মমিং ফাওবা-মাঙহল্লগা মীতোপকী লোলনা মনিপূর হাযনা থোঞ্জিনখিববু হোইযানরক্লি।—মীতম্মাল মীওই থম্মনা নমথাক্কী লোলম লাইবিক হন্না ঐখোয় অসি আর্য্য-হিন্দু গী ঈরেমথাক ওইহন্দুমা ঈ-শেংদবা সংকল (বর্ণসঙ্কর) ওইরক্লী। ঐখোযগী মরক্তা অচৌ-পিশাক, অমাং-অসেং কয়া থাইবিহ্লনা ১মুং চীংমী-তম্মা অনিবু তোঙাল-তোঙাল চোংথোক্কহ্লনা খুন্নাই অসিগী অমত্তা ওইবা অপুনবা শক্তবু শু মচং কয়া থোক্লা খুগাই- বি মতৌ অস্মন্না ওইদবনা ওইবা শাহ্ননা লমায় পিথ্রাইনি হাযক্লিজব, অমস্মুং কোক্নু থুগাইহল্লগা তুম্বা লেপশিলহনবা, লৈপাক মাঙনবা থবক অসি মতমগী ঈশিং থক্লবা চাওথংলবা নহারোল, অহল্লোন খুদিংমক্কী অমাঙবা অমনি অমস্মুং মায়য়োক্তনি হায়বা অসি ঐখোয়না লৌই। মতং অসিদা পঙনিংবা অমনা সনা কংলৈ পাক অপুনবা রে, নং ১৫১৩ গী ১৯৭৬ চৈহিগী মীকম "মীতৈ" ১মুং

"মৈতৈ" অনিগী যেৎনববু লোইশিনবা য়াদতুনা ঐখোয় অসি মতম খরগীদমক কংলৈচা ছায়রসি অমস্থং মীতৈ নত্রগা মৈতৈ লোলগী মহত্তা কংলৈলোন অতুগা ঈয়েকপুনা কংলৈ ঈয়েক অমুমা কৌরসি হায়না রারেপ লৌখি। -মতম খরগীদমক শিজিন্নসি হাযতুনা শিজিন্নরিবা— কংলৈচা, কংলৈলোল অমস্থং কংলৈ ঈযেক হাযবা রাহৈশিং অসি সনা কংলৈপাক অপুনবনা থাদোকপিতুনা মাঙলমচৎতগী ঈপা ঈপুগী চৎনবকপা, লৈজরম্বা ঈরোলবু শিজিন্নবিবা মতম যৌরে হায়না লৌজে।

মবম অতুনা থিবলোন কাংলুপকী (রিসার্চ সেকসন) মীওই ঐখোয়না ঈরৈপাকপু মসক তাকতুনা, চৌংমী-তম্মী অমত্তনি, ঐখোয মীতৈনি, মীতৈগী লোলদি মীতৈলোল কৌফম থোকই অতুগা মীতৈ ঈসাগী ঈয়েকপুনা মীতৈ ঈযেক হায়গনি হায়বা অসিনচিংবা কয়া, মরি মথোঙ, মসক তাকতুনা ইজবিবা লাইরিক মচা অসিনা অচুম্বদা মায় ওনসিনবিদিবা নহারোল অমস্থং অহল্লোনসিংগী মতেং থবদং পীবা ঙমগদ্রা হাযনা থজে। লোয়ননা থুম্নাই অসিগী অরানবা কংলৈরোন (ইতিহাস) কযাবু চুমথোক্লবগী মাযথৈদনু থবগী মখৈদি কাম্নগদ্রা হায়না থজে।

কংলৈ ঈনাং থিবলোন কাঙলুপ
কংলৈপাক উনমসঙ (প্রস)

কংলৈপাক কৌবম্ব মনিপুর কৌখিবা

ঐখোযনা লৈবিবা মনিপুর হাযনা খঙনবিবা লৈপাক অসি পালচা বুমসিঙ ৩১০৭, খৃ ১৭০৯ ফাউবা কংলৈপাক কৌরম্মী। শাকাব্দ ১৬৩১, পালচা ৩১০৭ অমস্তুং খৃ: ১৭০৯ গী ঈংলেনগী ৭নি পালবা লংমাইচীং চুমীত্তা ঈনিঙথৌ চরাইরোংবা নোঙ্গাখি। মথং থরানগী ২৩নি পালবা হুমসকৈস চুমীত্তা (ময়াম্বা) পামহৈবনা মসাগী চহী ২০ দা কংলৈপাকী ফম্বাল. কাপ্যে। নিংথেম পাম-হৈবনা পালবা মতমদা শ্রীহট্টকী শান্তিদাস মহন্তনা ভগবানদাস, নবানদাস কৌবা শিষ্য অনিগা লোযননা কংলৈপাক্তা থোরকই। শান্তিদাস মহন্তনা থোবক্রবা মতুংদা গুরু গোপালদাস অমস্তুং নোংসামৈ রোইনচিংবা (মীয়ান) কযামকুম থোরকখি। শান্তিদাস মহন্তনা মীতৈগী লৌচৎ মাঙহল্লগা "রামান্দি ধর্ম" চৎহন্নবা কম্না নিংথেমদা চিরোল খারোল চঙবা হৌরকখি। শান্তিদাস মহন্তগী চিরোল লাংদা থুহুনা নিংথেম্মু মাগী খুৎলাই ওইনা সিজিন্নখ্রে। ইহান হান্না হাওবম সগোল মকাক্তা গোপালদাস গুরুদা লাইনিং লৌবা হৌখি। মথংদা শাকাব্দ ১৬৩৯, পালচা ৩১১৫ অমস্তুং খৃ: ১৭১৭ গী মেবাগী থাঙ্জিন্দা নিংথেমস্তু গোপালদাস গুরুদা লাইমীং লৌখি।

মখুগী মতুংদা মীতৈ খুন্নাই অসি রমান্দি ধর্ম চৎহন্নবা লাংলোং অমা তৌরক্রে, শাকাব্দ ১৬৫১ পালচা ৩১২৭ খৃ: ১৭২৯গী রাকচীগী থানিন হুমসকৈস চুমীত্তা লৈপাক মীযাম্মু অকনবা চৈরাক তৌহুনা

নিংথেমম্বুং গুরুম্বুং যাউনা লুকুন থাংনা শিল্লোং ঈরুপহনখি। ঈম্বুং ঙাল্লবগা ১৬নি সগোলসেন্দা লৈপাক হুপ্না হুংসেং ঈকোন্দা [পুখ্রি] ঈরু ঈসেংহনবগা লোযননা সরি নামুং রাশক তোহন-খি। মথংদা মোইবাং ললহানবা মাযচৌবু "বামান্দি লীচৎ" লৌহন্নবা লাল্লোং সিল্লক্লে, নিংথেমনা মাচৌদা হাযবকই: "ঈপুম্বু রামান্দি লীচৎ অথোইববু লৌহুনা শ্রীরামচন্দ্র প্রভুগী মীথৈ সোল-বীরো" নিংথেমগী যাথং তাংদা ললহানবা মাযচৌনা হাযরকই। "হুঙাইদা নিংথেম।। নিংথেমগী যাথংবু কোবৌ থক্তা কাফদবনে মালেম লৈদা তাফদবনে, অদুবু—মীতৈ লীচৎ সনাবু হুন্দোকলগা মীযানগী লীচৎ মফম মবাং খঙদববু লৌজৌ তাকপীবা অসীদি নিংথেমগী যাথং হাপ্পবা নপুদা চরৈ ফিখাও লৈজদ, রাবৌবীগম্বু নিংথেম।"

"করি? ঈপুনা নিংথৌ ঐগী যাথংবু করি ওইদনা পাওথুম্বা? নিংথৌ ইতিক খংদ্রমানে, ঙবোংখাওদা নমতুনা লোক্তাক ভামি থেম্নবা অমা, সরেংথোইদ যান্দুনা হাংপা অমা নত্রগা থৌরী যান্দুনা হাংপা অমা অহুম অসিগী মনুংদা চৈরাক অমা ফংবা তাই।" "নিংথেম! ঐগী লীচ পু থাহুনা মীগী লীচৎ তাংহুনা ফিংগদবগী সরুকপুদি চৈবাক অহুম অদুগী মনুংদ অমা থুনমক তৌবীরো, মদুমক ননায নপুগী অপামবনি।" মতাং অদুদা নিথেম অসাউ মৈচুনা, চীলবাল থাজিকনা হাযরকই "নিংথৌ সেলবা পুমনমক! লমহেনবা মাযচৌ অসী কংলাগী লৈবোং পাম্বীদা থৌরি গান্দুনা হাংলু" হাযরম্লগা অসাউ চৈরোযনা সঙাইদা লেঙসিনখ্রে। নিংথেম মাথং অকনবনা মরাল লৈত্রবা মাযচৌ ললহানববু নিংশৌ মনাম্ম–

সিংনা খুৎ তুংপুন্নবা হাউনা পরৈ লাকতুনা কংআগী হৈবোং পার্শ্বদা থৌরী যান্দুনা হাংননবা পুথোক্লে।

ললহানবা মায়চৌনা ঈসাগী লীচৎ খাদোক্লগা মীগী লীচৎ ভা তুনা মীখা পোন্না হিংগদবগী সরুক্তা, ভুংসিজরবা মথৌরাযবু পান্মুবা লৈতনা থাদোক্লগা মপুকী লৈকোন্দা যাইবী লৈনম ওইনা তিনখিবনা ফবে থন্দুনা মীওইবনা সিগনি খঙনা খঙনা কিনরবা অসিববু করিস্নু নাচুংখিদে। ঈপাক থক্তা পুলেপ্না। লৈবোন নোংলোন তুরিবা সম্বোং পুঙমায লেপ্না লাযনিঙথৌ তাইবংখ য়্রবা সনামহী লাই সিদংবু মথাক্তুংদা চেৎনা কোক্লবে। অমনা চীংউ মাযচৌ খোংনাংথাবা অহনবু থাগোন্নবা চেৎচবে। মাযচৌ ললহানববু থৌরি যান্দুনা হাংকনি হাযবা তারবা মীতৈ মীযাম লাক্তুনা পৈবরে। নিংথেম যাথং মতুং ইন, নিংথৌ মনাযসিংনা মবাল লৈত্রবা মায-চৌগী ভক্তা থৌবি কোক্লোই হুকচিল্লে। মতৌ অতু উবদা লৈপাক মীযাম্না লাওরকই- "মবাল লৈতব মীবু হাংপা যারোই' হাযবা খোল্লাও লাওরক্লে। লৈপাক্না লাওবা তারগা ললহানবা মাযচৌনা লৈপাক মীয়ামদা মখুৎ লোন্নতুনা মোমোন মীনোন্না হাযরকই— "ঈবৈচা পুন্নমক ললহানবা ঐ সিবগদমক রাবীগন্নু, মবম চাদনা সিববু পান্মুনবনি, ঐনা সিগদোরিবা অসীদি মবম চাবনি। ঐগী লীচৎ থাদোকতুনা মীগী লীচৎ ভাংতুনা মীখা পোন্না হিংনিংদবদগী সিবদি মবম চাবনি, লৈপাক মীযাম্না মীগী লীচৎ চংপিববমু ঈবৈ-প্যাক হায়বা অসী লাইবৈবাক্তি, কোয়রো নোংনা রাংব্রা? পংৌ ঈপানা মরাংই, মালেম লৈমনা লুমব্রা? পলেম ইমানা মরূপ্নী হাযবা অসিমতংদি কাওবিগন্নু। মীয়াম্না রাহৈ অসীবু বাওবিদবনা

ললহানবা ঐগী লান্থ-থৌরম ওইজগে " ললহানবগী য়াহৈ তাবদা লৈপাক মীয়াম পুন্নমক মীংলু পীরাং ইহৌনৈ ।

অসীগী মতুংদা মনায ললহানববু কনবীরগে থন্দুনা তাইবঙ খায়বা লাইনিঙথৌনা মৈবী মৈরেল ওইনা পাইসিল্লকতুনা লল-নহানবগী মঙক্তগী থৌরা ককখ্রে । তাইবঙ খায়বা লায়নিংথৌনা ককপ্রবদা থৌরিবু নিংথৌ মনাইসিংনা অমুক হন্না ললহানবা মায়-চৌগা মঙক্তা থৌরি কোঙ্গোই চকতুনা হাংনবা থৌরাং তৌরক্লে । মতম অত্নদা চীংঙ খোঙনাংথাবনা হীরি কোম্নিডৈদা উবক্লে, মনাও ললহানবা যাইবী মাঙবনা, হানখিবা তারে শন্দুনা লম চীংশিন্দুনা কনারুস্নু খঙহন-উহন্দনা ফোঙ লাওনা ফাওরকতুনা মনাও লল-হানবগী লাক্তা লেপ্লরে, লৈপাক মীয়াম পুন্নমক ইঙক ঙক্লরে । মাযচৌ ললহানবগী থৌবি লে থোকহল্লে, মনাও ললহানববু চেংনা কোনবীরে "ঈনাওদি খজিক অরাফমদা তারুবে. হৌজিক মতম কৌবা লাইরেল্লীবু সিঙনহৈদবনা ঈবৈবাক কনবা ঙমদ্রবা নযাম্বা খোঙনাংথাব লাক্লে রাবগনো ঈনাও !" অম্মন্না হাযরগা ললহানবা মনাওবু চেংনা কোন্দুনা পুখরে । নিংথৌ মনাযসি পুন্নমকপু চীংউ মায়চৌগী মফমদা করিস্নু হাযরুবা ঙমদবমা তিঙক-তিংক যেত্নুনা লৈহৌরে । মসীমক মীতৈনা রামাশ্নি ধর্ম যাখিদে হায়বগী মযেক লারবা খুদমনি ।

শান্তিদাস মহন্তগী লাংলো লোইবা নাফদে, নিংথেমদা চিবোল লাং অমা থাক্লে । "হে নিঙথম রাজ অথোইব-ও ! নঙগী লৈপাকী মায়েকশিং অসীদি লাইগী অযেকনে, মীদা শিজিন্নবা ঙমলোইয়ে । মরম অদুনা নঙগী লৈপাকা লাহাইরকমথে মৈ থাদোক্লগা শ্রীরামচন্দ্রগী

মঙ্গোল ওইননবা দেব অক্কর চৎনহল্লসে। অদুবা চুমদবা য়াম্বা য়াখন খম্বা লৈতে, শান্তিদাসনবু লায়রবদি নিংথেমনা য়াদবা লৈখিদ্রে। পম্বব লৈত্তনা অকনবা য়াথং তৌদুনা "পুয়া পুম্নমক পুথ্‌ তুনা কংলা উতা (উত্রা মাঙদা পৈরগদবনি হায়না সংগোল পাও চেল্লে। কনাগুম্বগী ইমুংদা চেজেং অমত্তং লোংহৌবা থোল্লবদি সাগৈ তুমনা হাংকনি হায়বা অকনবা য়াথং তৌরে। মৈগী মৈসা খঙলবা মীনা মৈ কিবগুম নিংথৌগী অকনবা চৈরাক ফংলবা লৈপাক খুম্নাই ওইরম্বা পুযা পুম্নমক পুথৎলকতুনা ংলো উতা মাঙদ পৈররে। পুয়া ময়াম অদু মৈ থাননবা শান্তিদাসনা সিন্দুনা থৌরাং তৌরে, ঙসি মী সিবগা পোৎলোইরিবা অসীগী মওঙদা চুক ৬ মুংলে, সিঙখন ৭ খল্লে, থক্তা থকখল খল্লে অমম্বং পন্দল্লী লাকসিল্লে। মৈ থাননবগী থৌরাং পুম্নমক লোইদুনা নিংথেমনা ইসাইকু পায়দুনা মাঙ থারগা শান্তিদাসনা মৈ পানা বোয়রে। লৈপাক পুম্নমক লমমৈনা কোয়সল্লবা ১জি সল্লুপকুম কবি পান্বেদি লৈতা, তুমিন-তুমিন মীৎদু পিরাং সিম্বনা খাঙলি!

মতাং অদুদা চীংউ মায়চৌ থুংলরে, মায়চৌনা নিংথেম য়েংদুনা হায়রকই— "নিংথেম! মীতৈগী লাই ওইরবা পুয়াসিং মৈ থাবা হায়বা অসী তৌগদ্রু তৌহৈদবনে নসা তেনপানগনি।" রাহয় অসি তাবদা নিংথেমনা খুমলকই—"ঈপু! ঐনা তৌরিবা আসি লৈপাকী য়াইফনবনি ঐগী অনিংবা থিংবা যারবোই।" অম্বম। থল্লা সাউরপনা চীংউদা মীৎ থানা য়েংদুনা হায়রুবদগী খঙহৌদনা হাইহৎতুনা লৈমায়থক্তা য়াম্বখি। হাংবম সেলুংবা মকু ঈবুঙোনা কোনখৎতুনা

পাইকনখি। শান্তিদাসনা চীংউ মাযচৌগী মংখাক্ত পাবতুনা হায়রখি—"মীতৈ মায়চৌ অখোইবু-গু। নিংথেমনা নিংজয়রিবা অসীমত্তগী থপা তৌবিতনা পংফবিয়ু" হায়না ওয়া পোইনা খুরুমজখি। চীংউ মাযচৌনা তাকপিবকই— হে শান্তিদাস। নঙগী মতম লৈবনা নিংথেম কৰিম্মু তৌরোইযে, থকসি থাসি খজিক কাযখিবনা তৌবনে।" অমুম্না হাযরবগা নিংথেম হোংলক্লে, চীংউ মাযচৌগী মফমদা হাকপীনবা নোঙ্গবে। চীংউ মাযচৌনা তাকপিবকই— "নিংথেম! নঙগী হোবককম্না খোঁওঙ অসীন তৌবনে. মঙগী মতম লৈরিবনা ননিং তৌজো মীহাৎ মীপুন তৌদুনা বামান্দি লৈচং পীবদি তুং-কোইরোইযে। পেম্মা যেলহৌ ফবা. তুংগী পোলোই লেনসি হাযবা মতাং অহু থোক্লবনি"।

অমুম্না তৌবিঙৈদা থঙহৌদনা নোংলৈ মুংসি অমা লাকতুনা মৈচাক ফনা চাক্লিবা মৈবু চাইথায়বে, মীতেক মীবৌ থংলবা সাংকোক যাওববা পুযা মখ ঙম্না পাইথোকখ্রে। পুযানা মায়কৈ মায়কৈদা পাইথোকখিব অহু কনা অমগা উহৌদ, শান্তিদাস অমদি নিংথেম অনিদমক উহৌই। মবনদি— শান্তিদাসন মীতৈ ইরেক রাওবা পুযা মৈ থাদোক্লবা দেব অক্ষর শংলহন্নগে হাযবা লোন্নাং অতুম্বু থুগাইহনবনি। মতাং অদুদা চীংউ মাযচৌ লেঙখ্রে, লৈপাক মীযামম্বু তম্নখ্রে। মতম অদুদা শান্তিদাসনা নিংথেম যেংদুনা হায়রখি— "হে বৈষ্ণব রাজ! পুয়াসিংনা মাযকৈ মীবমতা পাইখিবসিনা মীতৈ লৈচং অমুক হাম্না কখিনি, দেব অক্ষর চ লন্নসি থোরাংবদা অরেবা তাবে।" অমুম্না মপু মনায় ওংনবিঙৈদ শান্তিদাস রাখ্রে, পুয়া মৈ থারখসী সংদিন থুদিক অনাইথুং

ফুংজল্লে। মরম চন্থুনা শান্তিদাসবু সনা যাইকোবনুংদা পুশিনরে, থবাই লাইকয়হনা লাকে, অহোই-অহোৈবনহুম মৈনা চাকপঙম হৈকল্লাং লৈকম থগুদল্ল চান্নল্লে। অসুম তৌনা তুমীং সিঙকুম কয়ানি, লোইদাম থাসিঙ কনা লাইকরক্লবা ফাউবদা করিমতা পোথাকম থগুদ্রে।

লাইথুং থুংবা মীওইবু মনা যাইকোনসুংদা থমলবদি লৈপাক মাঙ-তাক্কনি হাংবা লোইলাও লাকরক্লে লৈপাক্কী খোল্লাও থাঙবা খেনলকত্রবন গুরু শান্তিদাসবু লংমায়চীং চীংথাঙ বাখা পক্কোঙদা তুম অম শাবিত্থনা থমলে সরক অত্থদা শান্তিদাস লখোইমনি হাযদিবা মত্থনা অস্ত্রো লুপ্রাবী অমা লৌত্থনা মুক্তাত্থনা লৈরে, ছই ইকাইদবা লগ্বোইতনা লগ্বোইবা স.বা হাযনা তীনসিং-নবে। অসুম তৌনা মতম কযা লৈপ্রবগী তুংদা নিংথেমগী মমংদা গুরু উরম্মী হাযত্থনা রাখাদনী লৌরুত্থনা সনা কোহুংদা পুরক্লে। গুরু শান্তিদাসকী লাইথুং অসি করম তৌরগা কোকদগে হায়হুনা লৈপাক্কী অখণ্ড-অহৈ কয়াগা তায়রে। অখণ্ড-অহৈশিংনা নিংথেমদা লংজিন অমা পীরে— "কংলৈপাক অসিদ চীংউ মায়চৌ নত্থনা গুরুগী লাংজুং কোকপীনবা কনা হৈরোইয়ে, চীংউ মায়চৌনা হাযবিয়ু।"

অসুম তৌনা চীংউ মাযচৌগী মকমদা হাযক্লবা লাক্লে। শান্তিদাস উবদা তারাম্বা মীকোনা কৌবিরকই—"হে মীয়ান গুরু! ঐগী নাক্তা অত্থক রানা লাকপদি করি?" "হে মীতৈ পণ্ডিত অথোইবও। ঐনা মীতৈগী অরুবা পুযা মৈ থারুবদগী ইরাল মতুং ইমা ঈশ্বরনা চৈমাক পীবিরে, অকিবা ইথুনাং অমা পক্লেদো

মীতৈ পণ্ডিত অথোইব-ও! মরম অহুনা পণ্ডিত অথোইবা মহাক মন্ত্রশক্তি লাইথুং অসি কোকপা ওইরোই তাকপিরেদো। মরম অহুনা ঐনা পণ্ডিত নখে ও পায়রুনা থুরুমহুনা হায়রকি, ঐ ইরালনা কলবা লাইথুং অসি অমুক্তা কোকপিয়ু পণ্ডিত অথোইব-ও!"

"নুংঙাইদা মীবান গুরু! ঐদি থও-হৈবদি নত্তে, অহুবু তাইবও খাযবা লাইনিংথৌ সনামহী ঈবুঙোগী থৌজাল য়েংগদবা মঙাই-রে। মরম অহুনা লমলেল তারুথা পুরুপ সৌবী ঈকোন, ঈপুথৌ পাথওবগী পাফন সাক্ষোংফমদা নতোমতা চংলগা ঈরুপ চৌ-ও ফগনিয়ে!" হ্রা অসি তাবদা শান্তিদাসনা মথৌ তারবনা লম-লেল পুরুপ সৌবী তাম্না চৎখ্রে।

মশাগী মরাইথুং লৈরবা মীওইসিংনা ফনিংবা হায়বা অসি মহৌসা ওইবনা পুরুপ সৌবীদা কবি তৌরম দগে হায়বা খন্দনা ফনিংবনা লমজিংহনা চৎখি। শান্তিদাস গুরুনা পন্দনা লাকপনা লমলেল পুরুপ সৌবী ঈকোন হেক যৌরকপদা ঈপুথৌ পাথওবগী পাফন্না মচি চিরেন অনি পান্দুনা মরৈ সাঙনা তিংথোকতুনা অঙংবা সহমগা ঈরোইননা লৈরম্বা উবদা, মীতৈ অহন খোংনাংখাবনা তাক-পীরকপনে- ননায় করি খঙজদে হায়জবদা পাফন সকফম মাঙখ্রে। ঈংবী পুক্রিং চেংনা ঈরুপচরবদা তিনকোক লাইকোকচরে।

অম্বুম তৌনা লাইথুং কোক্লবদা নিংথেমদা লাং অমা থাকপা হৌরক্লে, য়াহুনতা লাক্লবা নিংথেমনিনা য়াদবা মরৈখিত্রে। ওম্নোক-পনি— মীনা সাবা থুংনা থুংশী মরিনা যেৎলগা উংহনবগা চপ মান্নরে, অন্না তীনওম শান্তিদাসনা লৈমু লৈমু হায়বা হ্রাকমদা

লৈহুনজা লৈরে। গুরু শান্তিদাসনা নিংথেমদা হায়জিল্লি—"হে নিংথৌ অথোইবগুও! নংগী লৈপাক অসিদি অচম্বা লৈপাক নত্রে, মণি কুপ্তি থানবা লাইনা লৈবা লৈপাকনে। মরম অদুনা লৈপাকসী মমিং ওয়রে, মণিপুরা লাইনা লৈবা লৈপাকনে, "মণিপুর" থোক্লগনি সে। গুরুগী রাওয় তাবদা হায়রকই—"গুরুনা কৈ হায়বা অদুমক ঐগীসু অফবনি, ওসিদগী হৌনা কংলৈপাক কৌবগী মহুত্তা মণিপুর কৌজরগে! হৌজিকমক সগোল পাও চেন্দুনা মণিপুর কৌরে হায়না লাওথোকচরগে। কনাগুম্বা অমতংনা কংলৈপাক কৌরবদি অকনবা চৈরাক ফংগনি হায়ন লাওথোক্লে। স্থমিং অদুদগী কংলৈপাকী মহুত্তা মনিপুর হায়না লৈপাক মমিং থোনখি, চৎনহনবদি ওমখিদে। মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রনা শাকাব্দ ১৬৮৫, পালগা ৩১৬১, খৃঃ ১৭৬৩গী থৌরান থাগী ১৯নি পালবা লৈপাকপোকপা স্থমিত্তা অনিরকম্বরা নিংথৌ ওই। নিংথৌ অসিগী হাকথক্তা মপুথৌ পামহৈবা হাকথক্তগী মনিপুর থোক্লগা চৎনবা ওমলক্তবরু মনিপুর হায়না চৎনহনখি। রাকম অসিনা তাকশদি ঈরৈপাক কংলৈপাক অসিবু মনিপুর হায়না নমহুনা থোক্তিনখিবা অসিবু র্ম তৈ খুন্নার অসিনা য়ানিংদবনা মনিপুর হাযবা রাহয় অসি পনবা ফাওবা পন্নদে। অস্মুনা য়ানিংদবনা মনিপুর হাযবা রাহয় অসি পনবা

কংলৈপাকপু মনিপুর থোক্লিনখি তাকপা লাইরিক খরা—(১) পামহৈবা লাইব লাথুপ (২) ভাগ্যচন্দ্র লাইরে লাথুপ (৩) ডঃ যোগেশ্বরনা ই থা কপা—সনামহী লাইকন।

ফাওবা পন্নদে। অসুম্না যানিংদনা চপী কয়া লৈরকপনা মহারাজ ভাগ্যচন্দ্র মতম ফাউবনি, অদুবু ভাগ্যচন্দ্রগী চৈফুনা নমথুনা মনিপুর হায়না মপু ফানা চৎনহনখি। মরম অসিনা ঐখোয়না লৈ রিবা লৈপাক অসি "কংলৈপাক" কৌবসী হা.বা অসি নাখৈ সেংলে।

কংলৈপাক কৌখিবা

রাকোকলোন হী লল থিলেল সালাই অমাইলোন পুকোক পুযানা হাযবি— ঈপুঙ'লাই অপকপা মপুনা মালেম-নোংথৌ মওঙ-লেপ্পবদা মমুং তাইবঙ কুমহৈ ান্নগে নিঙতুনা লাইনিঙথৌ সালাই লেল লাইলেলপী লৈমলেল অনি ওইনা সাইওন তৌলে। অনি মানা লোইপী চীংকী চীংতোন্তা কা'খহুনা তু-কা, রা-কা ওইতুনা হুঙাই থোইনা পালখলে, রাকোন পুঙপু সেমখলে। অসুম তৌনা পাল্লপত ঈপুঙলোইকী হুমাং ম'লক্কী পোকফিপা সালোই ফুলুপ-মখৈনা সালাইলেলকী মকমতা অ ৎপপু পীলক্লে। ঈপুঙলোইনা কনপীলকে খনতুনা লাইনিঙথৌ নোংসাপপু ওইতুনা সা ল ই ঙম্না হাৎখলে। লাইনিংথৌ নোংসাপকী চৈলায়। সালোই খৈপিক তুম-খলে, অতুকীতমগ্না নেংসা পা চৈলাক হায়খলে। সালোইকী নিং-তোল চনু অমতি থাকতুনা থমখলে।

অমুন তৌন লাইনিঙথৌ সালাইলেলনা মপালী ঈপুঙঙো কোনসেন তুলৈসেংপতা চকপলোনকী লৈঙমলকপা রাকোকলোন অমতি রাহৌলোন, অনিতি ঈপুঙলোন খুনুঙলোন অসী খৈশিকী ওইঙমলকপা কয়াপু থাকপা লৈতনা তাকপীরে। অসুম তৌনা

মপালী কোনসেন তুমৈসেংপা সানামহীতা তলঙ মালঙ লাইপাঙ কী মতুং ইন্না পাওতাক পুন্নমকপু লাইনিঙথৌ সানাইলেল সিতপনা তাকখিপা মতুং ইন্না চিকতোকপা লৈতনা, লাইক তি ম'ম, তাই-পঙ পালপা মীকীতি পু:কাক, মসানৌ ঈপুঙডো কোনচীল তুক-থপা মিং থান ফংখিপা, মনাওতা তাকপীলকে নিংতুনা, ঈপুঙ-লোই অপকপনা মথননা লৈপা য়াততুনা হাইনা হুমমকপকী হঙ, হুং, কী ঈরাই ইনিননা নীকশিললকতুনা ফমচিললকপাতা থেংন-লুপা অতুপু লাইকী মসানি হাযতুনা লাইসা (লৈসা) হাযনা কৌ-খিপা, অতুপু ঈনুঙপুঙতকী ঈপুঙলোইনপা অপকপনা ফুকথৎ চীং-থৎ থাংথৎলকপতা লোইনলকপা, অমতি লাইসাপু থেংনপতকী থোকলকপা কামপী, লাইচা, মালঙপা হাযনা কৌখিপা, লাই পুঙথৌ ৭ কী লাইমিং থোনতুনা ঈমাই ফাউখিপা, ঈমাই অতুপু লাইকী খুৎতমনি— লাই মাললে হাযতুনা মালেম হায়-না কৌখিপা তাইপঙপালপা ১ ওইলকনপা ঈপুঙলোইকী হুঙপুঙ র থনতকী থোকখিপা পুমনমকপু তাকপীলকে খনতুনা ১তি থকক থাকা তাইনপা অনিগী মলকতা, লাইকী মহযপু তাইপঙ মী ওইনা পালহললে। মতুকী মলমনা তাইনপতা পাললে হাযতুনা তাইপঙ-পাল কৌখিপা. অসী খৈপিককী মলমনা তাইনপতা পাললে হায-তুনা তাইপঙপাল কৌখিপা, অসী খৈপিককী মলমপু মসানৌ ঈপুঙডো কোনচীল তুকথপতা তকখিপা মলমনা, মপুকী মিংলেল -হা, হুং, হৈ, হে, হিং, য়াইশীলেল মিংখৈপু-ঈপু অথৌপা পাখঙ-পনা ফংচৈয়ে। লাইনিংথৌতি পাংকনপনা হুংতংঙা সাইওন তৌ-তুনা চীংপু হুংথোকতুনা চীংলংহুং হায়না কৌখিপা মফম অতুতা

লাইচা ঈলিংপু চিংখোকখিপদা করপা হাললে হায়ভুনা কংলা থেন-
পুং হায়না কৌখলে কংলা থেনপুং মকমজা লাইয়ামসিংনা লেপ-
লপা মকমতা কযাংখোন লেপ্‌ভুনা ঈক় মালে মকম অত্তুপু কংলা
ঈমফম কৌখলে। কংলা ঈমফম মকমতা দৈজোন মোংলোম
কায়াং ১৪ কী লাইকম সেমখলে। সমখসপা মকমতা লাইয়াক
সিংনা পানপা মকমনে হায়ভুনা লাইকম হায়না কৌখলে।

কংলৈপাক কোপা মকমতা লাইনিংথৌ সিংপ সালাইলেলকী
শকসাং কায়াংকী মুংপুং রাখনবা তাভুনা খোকখিপা লাইলুপ
৭ মাপু পানডপনা পানলভুনা, মতমকী খোঙলৈতা পোকখিপনা,
খোঙলৈকী মতুং ইননা, তুলা ইপেমমা লাইকোক হুইমুলৈ পুকসি
খোমপীনা অয়ুবকী খোংলৈ মচুনা ঙাপা মতমতা, নাওসঙত্রা
পোকখিপনা, মমাঙ মিংথোন কংচখিয়ে তুলা ঈপেম্মা হুইমু-
লৈমনা কোয়লৌ মমিনা রাংনা ঙোনা ঘুংপা খোঙলৈ মতমতা
নৌরানা তাইঙপালতা কাঙ্গনা লুরাং মিংথোন কংচখিযে। তুলা
ঈপেম্মা লোইংমপী মরাই থোংঙাইলেলপীনা, কোযলৌ মমিনা
খুনা মমপা খোঙলৈ মতমতা, নৌরানা তাইপঙপালতা কাউলক-
পনা খুমন মিংথোন ক চৈয়ে। তুলা ঈপেম্মা লাইযেক পীখেং
লৈমনা তুংযায় খোংলৈনা মেমানপা (নাপু) অচীকপা মতমতা
নৌরানা তাইপঙপালতা কাউলকপনা অঙোমপা অঙোপালপা
মিংথোল কংচৈযে। তুলা ইপেম্মা লৈমা উলুম খাওচাও তোমপীনা,
কোযলৌ মমিনা অয়ুবকী ঈচীক অমম অঙান, মুনা ঙাঙনা, সিনমনা
ল্যাংপা মতমতা নৌরানা তাইপঙপালতা কাউলকপনা মোইল্যাং হাক-

না মিংথোল কংচৈরে। তুলা ঈপেন্মা লৈথম ভাদি লৈমনা কোয়-লৌ মমিনা য়ুংনা এক-শা। য়ুমনা [illegible] থোঙ্গৈ মমমতা নোমানা [illegible] কাউনকুপমা থা-ডানবা মিংথোল কংচৈরে। তুলা ঈপেমা লোংখাইরক মিদি লৈমনা, কোয়লৌ মমিনা অংড্রিঅা [illegible] য়াঙ্কনকপা থোংলৈক্তা নোৱানা তাইপঙপানবা-কাউনক-পানা, অলাই লৈকাওথোম-মিংথোল কংচৈরে।

মপাপুঙ ঈপুঙডো কোনটীল হুকপা পাখঙপদু কমপানথক্তা, থাচকী মসেক্কুগী ভালকপকুমনা মৈপুন হাইচাও হোৌপা ওইনা মুংভাই থোইমা পালথলে অপুমা লৈলশঙা লাইলেল খোম-পীকা মঙাঙ নিঙথৌকা পামহুনা লৈসংলেল অসং ঙাসাপা পোকরে।

মথঙ অমতা লাইলেলপী অঙাইপীকা মুয়াংশ নিঙথৌকা পাম-হুনা লোংতমলেল অয়াঙপা পোকরে। মথং ১ভা লাইলেলপী খুঙাইপীকা খুমন নিঙথৌকা পামহুনা লোংতমলোল অথুপা পোক-যে। মথং অমতা লাইলেলপী মিংপী লাইখোমপীকা অচৌপানপা ভডোম নিঙথৌকা পাননহুনা লৈলঙলেল অসংপা পোকরে। মথঙ ১ ভা লাইলেলপী থানৈমকা মোইলাং নিঙথৌকা পাননহুনা [illegible] পোকরে। মথঙ ৬ভা লাইলেলপী কোমতিং লৈমকা থা-ডানপা নিঙথৌকা পাননহুনা লোংতমলেল অয়ামপা পোকরে। মথঙ ২ ভা লাইলেলপী [illegible] অলাই লৈসঙথেম নিঙথৌকা পাননহুনা খুম [illegible] পোকরে। কোনটীল হুকপা ঈপুঙো পাখঙপা [illegible] [illegible]

-'ঙনা ঈমকম (ইন্কাল) কংলৈত্তা পাললে, লুয়াঙনা লুয়াঙ ঈঙকম কংলৈত্তা পায়ে, খুমননা ময়াই ঈমকম (ময়াং ইন্কাল কংলৈ-ত্তা পাললে, অঙোপানপা অঙোমপনা কোংবা তুরেল রাংবা (অঙোম পোকপা লাইকম হায়না খঙনরিবা) তা পায়ে. মোইলাংনা লৈকোয়পুঙ কংলৈত্তা পায়ে, খা-ঙানপনা রাঙচীং কংলৈ (সংকাই মুন্দম) তা পায়ে. সালাই লৈশাঙথেমপনা লৈসাঙ হিথেন (লৈসা-ঙথোং—রাজোই) কংলৈত্তা পায়ে।

কংলৈ ৭ কী লমনা পাক্লা কোনমিবা লমু "কংলৈপাক" কৌই। মথক্তা হায়খিবা কংলৈবু লাইয়ামসিংনা পানপা মফমনে হায়ত্তনা লাইকম কৌই, লাইকমনা লৈপা লৈপাকপু কংলৈপাক কৌই হায়খিবা অহৃদি অশুম্বা অপোই—ননা না মুংয়াম্বা নিংখৌদা

কংলৈপাক কৌবমু সোগৎপা লাইরিকশিং— (১) রাকোকলোন হীলেল থিংলল সালাই অমাইলোন পুকোক। (২) পামহৈবা লারৈ লাথুপ। (৩) ভগ্যচন্দ্র লারৈ লাথুপ। (৪) চৈথারোল কুম্বাবা। (৫) ও তোমেশ্বর সিংহনা ইথোকপা— নিংথৌরোন শৈরেং। (৬ পি, মেরা সিংহনা ইথোকপা— ইঙেল্লৈ। (৭) এস, মোদিয়াচান্দ সিংহ, এন্দ দরবার মেম্বরনা ইবা— ইতিহাস নাটক, ময়াম্বা পরিবশিরাজ। (৯) এন, খেলচন্দ্র সিংহনা ইবা—আর্ঙবা মনি-পুরী ইতিহাসকী সাহিত্য। (১০) মনিপুরী সাহিত্য পরিষদনা কোংবা—পাখোইপী খোঙকুল। (১১) ডাঃ ইবোবী সিংহনী থেসিস দি মনিপুর এডমিনিস্ট্রেসন। (১২) এম, কে, বিনোদিনীনা ইবা— বড় সাহেব ওংবী সনাজোবী।

হ্নাংবী লৈবদা হায়রখিরনি। কংলৈপাক কোৎবগী মহনমদি মথাদা সংলোকলকইবা রাকমসিং কংলৈ ৭ না কোনখিবা লম্বু কংলৈপাক্ক কোই হায়বা অম্মিনি।)

মীতৈ কোৎখিবা অমসুং চীংমী তম্মী খাইদোকখিরা

ঈয়েক ১৮ গী হৌরককম ইবা হাকোকলোন হাঁয়েল থিলেল সালাই অমাইলোন পুকোক শুয়ানা মীৎ ঈয়েকী রায়োলদা অসুক্না হায়রি—"অতীংআ সিত্তপকী মমীৎ মসুংতা লৈপা মীৎ নহা অতুপু মায়ে লায়পকীপু মি কোয়ে' মি অতুপু য়েংনা সাখিয়ে হায়পকীপু মী কোয়ে। মী অতুপু খণ্ডনপা হাযতুনা অতীংআ সিপতকী মমীৎ মসুংতা লৈপা মমিপু য়েতুনা সাখিপনা অতৈ অমনি খণ্ড-নপা হাযতুনা মী— অতৈ কোয়ে মিতা সাইওন তৌতুনা, সাপা তাইপঙ মীনা. মীতৈ হায়না কোৎলে' অনীনি।

মীতৈ হায়বগী রাহস্যোক্তি— সনামহী লাই সিদবনা সাইওন তৌরগে হাযতুনা লাইনিঙথৌ সালাইলেল অতীংআ সিদবগী মীৎ নহাদা নমু তাইবঙ মীগী মসক ওইনা মীতমহুনা নেগেটিভ) লৈরব-দগী ঈমা লৈমরেল সিদবীগী থোয়জিখাদা নোংপুন ওইনা য়োমহুনা থাপুঙ ১০ লৈরমগা মালেম লমজাউ কাউরকতুনা মী (পোজেটিভ) ওইগনি অহুঙবা মী অহুবু, অতীংআ সিদবা লাইদগী তৈনরকপা মীনি হায়বগী মী—অতৈ—মীতৈ কোৎবনি। মরম অসুনা কংলৈপাক্তা লৈরিবা চীংমী-তম্মী ঐথোয়বু মীতৈ কোই হায়বা অসি কবপা

য়ায়রোইদৌবা রাকয়নি ' অদুগা "মিডা সাইওন ফৌডুনা পোকপা সাপা। ডাপ্পড মীনা থীতে হায়না কৌথদো" হায়বা নং অসীনা ম্যালেমদা লৈরিবা মী পুম্নমকপুম্ন য়াওউলোনগী (থীদো লোকিকেল) ওয়বা মীংয়ে দা মীতৈনি হায়না য়েংলবগী থীগ থীপুগী অরাঙবা মীংয়ে', অমগী মমি তাই। অদুগা কংলৈপাক্ত লৈপ্লিবা চ্যাই শুম্নী ঐখোয়গুম্ন য়াওউলোনগী ওইবা থীতে হায়ব মীং অসি অন্নম কৌহনা মী সমলোন্দগী হৌনা ঙসি ফাউবা লেঙ দনা লৈরে, লেঙহন্নবগী প্যাঙল 'অমন্ন লৈয়রোই।

অদুগা য়াকৌকলোন হীলেল থিলেল সাদাই অমাইলো পুকোক পুখানা তাকপা। রাহৌলোন (গ্রামাব) গী মতাং অমদ অসুম্না হায়রি— "তিংপালপা মপু ঈপুঙ লায়নপা অপকপক লাইপাওকী কোলোই মরাখংনা ওইথিপা মলম্না, তাইপওপালক চকং লোন পুম্নমকী সেমডমপ, মতম মতমতুকী চাননা চমনপ লায়না ঈযেক লোমতুনা, লুমনা ঈরাই ঈনিন খোম্নোকপু লুমহ হায়পকী থুহুডলোন অতুপু থুহুড লোনচুম কোয়ে। থুহু লোনচুমসিংসে ডাইনপতা লৈলিপা মী ওইপা ঈচা ঈম্ন মীতৈ পুম্নমকীতমক্তা হায়চপনে হে নিঙথৌ ও। ঈযেক লীথুন অসীি মতমতুকী মতুংইন্না পুখোকপীকতনে খঙপী-ও।

,[illegible] অসীমা [illegible]— লোনশুম [illegible] 'অমিমা অত [illegible] লোন ঈবা য়ানলবা। [illegible] [illegible] ঈয়েক সেমহুন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মীতৈনা [illegible] [illegible]। [illegible] অসী [illegible] [illegible] [illegible]।

অসী কনাবুনো হায়বা থিকম থোক্লে। য়াওইলোনগী ওইবা রাকম দা য়েংলগনা মালেমদা লৈরিবা মীওইবা পুম্নমকপু য়েংলগা মীতৈনি, পুম্নমক্তা খঙবদা কান্নরবা ঈয়েক ঈপী ১৮ গী মঙ্গং'গী ঈ'চলনি হায়বা য়াই। অমরোম্বদা য়েংলগনা চীংমী-তম্মী অনিবু মীতৈ পুম্ন-মক হায়বা য়াই। অমরোম্বদা য়েংলগনা চীংমী-তম্মী অনিবু মীতৈ পুম্নমক হায়বা য়াই, মরমদি চীংমী হায়বা অসিদা কাংলুপ ৭/৮ লৈ, কাংলুপ ময়াম অসিগা তম্মীগবু মীতৈ পুম্নমকীদমক্তা হায়বা রাহয় অসী মিজিম্নরম্বনি হায়ব। নাথৈ সেংলে।

অহুগা রাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমাইলোম 'পুকে'ক পুযানা হাযবি— 'মলিযাফম পালচানা লৈমা তামু পান্নহনা কোম্ভাপা পোকযে। কোন্থৌপতি হাওলোকপম ওইখসে। হাও-লোকপম চম্নু মমোমলোই কোম্বৌ ঈতা স'ংচপী তম্ফা চমু মুচাপু লৌলুপা অসাতা নত্তনা, মীতৈ চমু সালাইলুপ সাখায়কী মচা মম্বপু, লাইনিঙথৌ সিতপা সাল্লাইলেলনা লৌলুপতকী, লাইয়াম পুমমক্তা খুনতৌন যাকাতুনা, কংলা সঙকাই মেনসঙতা তানযে সেনপুঙ রৈরতুনা খুনতৌন য়াকা য়াথোক্লে। যাথেকপতা পাখঙপনা হাযলকই— ঈপাপুঙ ঈপুঙঙো সিতপা। নমু তাইবঙ চাতোন শুতোনসিংনা, লাইকী চাতা নাওতানি হায়না চংল-কতপা অসীপু কলম হায়না তৌকপা? অসি রাতি হায়লপতা, সালাইলেল সিত-পনা ভুংপুঙ রাখল তৌতুনা হায়লকই— ঈপালীও মুংসিপা! ঈচাকী চাতা সালাইলুপ সাখাইসিংনা লাইকী লীচংপু লৌতুনা চংপা য়ালোইক্লে, অম্নুম্নদি-মপালীতা হায়লকয়ে; লাইকী লুপনা

ঈচাকী চ্যাতা নাওতাপু লোকউপা অসীডি লাইপুঙথৌ ৭ কী ঈয়েক ৭ কী মতুংইগ্না, ঈপ্যানা খুদিমজী য়োনা য়েক হায়না কৌনকে।

ঈচাকী নাওতানা লাইকী লুপনা চংলজপা কিভজ লৌতুনা চংলজপতি, লাইক মীকা য়েক্লপা, তৈনপা, মৌনপা ওইসনো। লাইপুঙথৌ ৭ মকক্না যেক্লপম্বং ওইম্বুনো। মাকী মাকী সালাই লুপ সাথাই পুন্নমক যেক্লপম্বং ওইম্বুনো। য়েক্লপা অসীকী মতুং ইনা ঈকী চালো মৌলোনপা য়ালোইয়ে

অমুম হায়লপন্তা মপালী তুকথপনা হায়লকই— ঈপাপুঙ ঈপুঙঙো সিত্রপা। ঈযেক য়েক শায়লিপা অসিপু অমুক হননা তাকপীও, হায়লপন্তা, সিতপনা হায়লক্লে পালী ইপুঙঙো তিং-পালপা মপু কৌলি না মহাবক লোয়নতুনা লৈলিপা লাইপুঙথৌ ৭ মাতা পকতুনা, ঈকী মওঙ মাননা, খুপী মমুম চাওনা অকোয়পা ওইনা পকইয়ে। অকোয়প্পা অত্থপু ঈ-যেক কৌয়ে।

ঈয়েক অতুকী মচুংতা ঈকী ফুন ১ লৈযে, অতুপু ঈনিক কৌয়ে, ঈনীক অতুকা য়েক্লে, য়েক কাযে। অতুকী মলমনা লাইপুঙথৌ ৭ কী মতাতা পকয়ে হায়তুনা অপকপম্বু কৌয়ে। পালী ঈপুঙঙো। লাইলুপ ৭ কা। ঈচাকী ঈকা তিন্নতুনা পোকপা অম্রীগুনা সালাই কৌনক্লে। সালাইনা পোকপা অসিপুনা নাওতা হায়না কৌথংলে। নাওতাকী সালাইলুপ সাথাই পুন্নমক লোন-পতি যেকপা য়েক ঈলোনপ্রা ওইম্বুনো, মাকা মানা তৌপা ওইম্বুনো। সালাইলুপ, সাথাইলিনা, চালোই মৌলোনপা লোনশিং নাওতা-কী, খুথাক না লোয়মকবিয়ে, হায়না অসোকইবিয়ে।

পালী ঈপুংতো ! রাকম অসীনু পুনাংবোর্ক, পাখাংকোব, ঈপাংবোরক লেননপা য়াখানু ! পালী ঈপুংতো ! য়েকা-য়েকা চামৌ মৌরোনপা নীতি খণ্ডপা ওইজম্নো। ঈচাকী দুংতকী খম্বে দুংখত কোলকে।

মপ্রকী রাফম অসিনা তাকপদি— য়েকবা য়েকবা চামৌ মৌরৌনবা মীশিং অতুদি লৈপাক পুন্নমকা য়েকবা, লাইগম্বু য়েকবা ওইরে। লুরিবনা সুপ্লাং ৭ ৩, কাণ্ডুন মুংকনি, হায়রবা মীচৈ (শাপ) অমা পীরে। রাফম অসী হাওলোকপম চহু তম্ফাবু লাই-নিংথৌ সালাইলেম্মা লোরুপতা নত্তমা মীতৈ চহু সালাইলুপ সথাইগী-মচা মম্বু লৌরুবদগী থোংকপা রাথোকনি। রাথোক অসীদা "মীতৈ চহু" হ যবা রাহয অসীনা চীংমী— তম্বীবু মীতৈ কোই হাববা মস লেঙৈদবা ওইনা হদম পীরবনি রাকম অসিদা মীতৈ নংত্র হাযবিবা ভম্বা কনম্বু লৈরবোই।

অতুগী রাকোকলোন নীলেল থিলেল সালাই অমাইলোন পুকোক পুগাদা অম্না তাগবি—কোনচীন তুকথবা ঈপুগৌ পা-খঙবনা সলাইলুপ সথাইগী মতুংইন্না কংলৈ ৭ মদা মপারী ৭ পু পানহলখবে। মপারীশিংগী চাদা লৌতানা পাক্লা সম্না য়ামথো-খিবন. লোইমী চীংগাও কাথরে (হোঁ হোঁ) খোম্বোর্ক ঈরাই ঈমিলপা ঈলোইনখবে চীং কল চীংতাও কাথিবনা তাংজ মসিন ওইনৈরে অদু ওইবগীবু লুপ্তাই থোইমা লৈজেরে। মাঙদা হায়খিবা, ঈপুংরোইনবা অপকপনা লাইনিংথৌ নোঙ্গাবা ওইতুনা সারোই-পুরা হাংখিবাং চহু অমম্বুমা লাইনিংথৌ সালাইলেলগা দুংসি মীংয়ে থাবীখিবা অতুনা ভুমনা য়েকখতে। লোকচৰী অতুনিবা নচানি হারখবে।

য়াকম অসীনাতাকপদি— মীতৈসিংনা পাক্লা সন্না য়ামথো হকতুনা লোইবা চীংদা কাহ্না খুন্দাখিবনি, চীংদগী কুমকন্থু তম্পাক্তা খুন্দারকপা নত্তে। কংলানা এহানবা ইফম (য়ুম্ফম ওইরগা কংলাদগী পাক্লা সন্না কংলৈ ৭ থোক্লা খায়দোক্লগা তম্পাও পান্নবদা সালাই ৭ কী চাদা নৌদা (মচা মমু) না য়ামথোরকতুনা চীংদা কাহ্না খুনদা খিবনি হায়বা লেঙভ্রবা খুদম ওইরে। লাই নিঙথৌ সালাইশগী তালোই অতোনবা সিঙদা চনপ্রবী সারো চমু অহ্না মচা 'পোত্তবা মবমনা তম্পাক্তগী কাখিবা মীতৈ সিংবু মচা ওইনা য়োকখিবনি, যোকখিবা মীতৈ পুন্নমকপু সারো চমু ঈমাগী মরোলগা মীতৈ লোলগা অনি তিন্ননা য়ানিন্নহ্ন লোইহ্ন ওইখিবনা মীতৈ, মীতৈ চাংমীগা লোল তোঙান্নখিবান অমনা চী'দা লম্বী-থো' খুদোং চাদবনা চোইনা চোইনা খুন্দাখিবনা মীতৈ চী মীসিংগী কাংলুপ-কাংলুপ ওইবা লোল তোঙান তোঙান্নখিবনি চায়েদ চিংনফম লৈতে। অহ্নগা মীতৈ চীংমী তাংখু-ঈচী ৭ ঈনাওসিংদা খুল অমগা খুল অমগা লোল তিন্নদে, খঙনবা' অহ্নম থ'নৈ। মসিগা মরমদি— খুল থাপ্না থাপ্না খুন্দানখিবা অতোপ্প' চীংমী মীতৈ কালুপকী নুপী লোবনচিংবদগী মমাংগী লোল তংখায়-মপাগী লোল তংখায় যান্নহ্না ঙাংনবদগী খুল অহ্নগী লোল ওইখিবনি হায়বসি ময়েক সেংলব খুদম ওইরবনি। মরু অসিনা মীতৈ চীংমী তাংখুল কাঙলুপ্না খুন অমগা খুন অমগা লোখর খর তৈনখিবনি। অহ্নগা চীংদ কাখিবা মীতৈ চাংমীসিংবু চৌ চৌ ঈরাই ঈনিনা চীংকোবগী পোখাখোল ওইখিবা ঈরাই ঈনি

অদুবু মাঙহনবা লৈতনা চীংমী তম্মী মচীল-মনাও পোকমিন্নবা মীতৈনি হায়বা কাওনখিদনবা, মীতৈ-চীংমিসিংবু "তৌ" হায়না মিংগৌনৈ। ঙসিদি তৌ হায়বা রাহয অসি থৈখিদ্রনা "হাউ" হায়না মিংকৌনরে, মহুংগী ঈচেল কাওনখিবদগী মিংগৌ অসিমক যেংথিনবা, মচীল মনাও নত্তবা রাখমতোমদা পুনখিবনা মিংগী ফজবা রাহস্লোক মাঙহে। মাঙখিবা অসিগী ঈচেন্দি তমগী মীতৈ-সিংনা খৃঃ ১৭০৯ পামহৈবা। নিংথৌ ওইবা মতমদা মীয়াম শান্তি দাস মহন্তগী লান্দা থুদুনা বামাং লম্ম লৌখিবা, লায়নবা চীংমী মীতৈসিংবু মাংহই সেংহই হায়বা ব্যবস্থা অমনা হীগাহরা তৌখিবদগী চীংমী-তম্মী হুসিনদবগী থোঙ হাংদোকখি, হুসিনবগী থোঙ লোনসিনখি।

অদুগা ৪৪শুবা ঋতু চেযোং খৃঃ ১৯৭২ 'শ্রীরাই, কে, শীত্রে" গী তাংখুল হায়বা আর্টিকলগী রাবোলদা অস্মুন্না হায়বি। ধর্ম—তাংখুলসিংনা তাইবঙবু সেম্বা "অলাহ" হায়বা অমা লৈ হায়না থাজে, তৌই গুম্বস্মুং মখোযনা 'অলাহ" হায়বা অসি কনানো হায়বাদ খঙদে। মবম অদুনা মহাকপু অলাহ—সনামহীগী মংক ওইনা লৌনৈ। মসাবু মীতৈগা নক্কনা লৈমিন্নবা তাংখুলসিংনা সনামহী হায়না কৌই অদুগা 'থিকুইথোঙ" হায়নস্মু কৌই। অদুবু অমনা অমদগী খেন্নবা নত্তে, "সনামহী নত্রগা থিকুইথোঙ" থুলগী লুচিংবসিংগী নত্রগা পীবাগী য়ুমদা অখন্ননা থমনৈ। ঈবাং-পুজা তৌবা মাইবা নত্রগা পুরোহিত নত্রা মফম অদুদা বনাম্মত্বা চহবা যাদে খৃঃ ১৮৯৫ দা ব্রিতিশ ওয়ামিশন পেটিগ্রু অক্রুলদা

লাকতুনা "খৃষ্টান ধর্ম্ম' সন্দোক্লগি। মতম খব লৈবগদি মথং মথং ওইনা মী কযামক্লম খৃষ্টান ধর্ম্ম লৌনবক্র অমস্মুং সনামহীবু মতম অমদা তমগী লমদা শান্তিদাসব "বামান্দী ধর্ম্ম" সন্দোকপদা লাংনখিদবগুন, তাংখুলন্সিংনস্মু কাওনবক্র। ধর্ম্মদা খেন্নবসিনা চীং অমস্মুং তমগী মীসিং অসী নক্লববস্মু অম্নক্কী মতিক লাপ্পা খাই-দোক্লথ অরদি মাংই হাযগা ফাউবা লৌনখ্রে। অসীগুম্বা ফক্রবা অভ্যাস অসি ঙসিদা মকাকই।"

ব্রাকম অস না তাকপদি— তম্মী মীতৈনা "সনামহী" লাংপা অমদি নিংবগুম, তাংখুল চীংমী মীতৈন "অলাহ নক্রগা খিরুই-খোঙ" হাযবা অসি লাংলি, নিংই। মীতৈ তম্মগী সনামহগী চীংমী তাংখুল মীতৈগী "অহাহ নক্রগা খিরুইখোঙ" গা মসা অমক্তনি, সনামহীনি হাযবি। অতুম ওইবস্মু মাংই হাযনা চীংমী মীতৈবু তম্মী মীতৈনা যেংলম্না অহবা মীংযং অতু ঙসিতা মকাক-লকই হাযবি। মসিমক অচুম্বনি চীংমী-তম্মী মীতৈগী লাইবক থীরম্না অতু কোরগনি হাযবা চেংন থাজার।

মতুদ মীতৈ তম্মীগী যেক— (১) মঙাঙ, (২) লারাঙ, (৩) খুমন (৪) অঙোম (৫) মোইরাং (৬ খ-মানবা (৭) সালাই লৈসাঙথম। মীতৈ তাংখুলগী যেক— (১) তুইদাং (২) সাদাং (৩) খোদাং (৪) খাপুদাং (৫) চৌদাং (৬) সিথুদাং (৭) কিংদাং।

মীতৈ তাংখুলগী যেক— (১) সাইফু (২) সাইচল (৩) রাংলা (৪) বাখো (৫) সৈলোন (৬) হরিযম (৭) বাইলম। মীতৈ মরিঙগী যেক— (১) দললা (২) বজা ( ) দিংথোই (৪) চোংতুর (৫) থোইতক (৬) সম্পার (৭) থাঙডা। মীতৈ কবুইগী যেক—(১) কামৈ (২) গাংমৈ (৩) লোংমৈ (৪) গোলমৈ (৫) মরিংমৈ (৬) প নমৈ

(৭) ফাউমৈ। মীতৈ কোইবেগী যেব— (১) যৈতে (২) সাংথু (৩) লৈসন (৪) তুমতীন (৫) তেনতে (৬) রালবে (৭) মিকল। মীতৈ অনালগী যেক— (১ মুরচল (২) মাস্থুম (৩) পাসেন (৪) চনতুং (৫) কুনলাল (৬) হুাং (৭) যাসা। মীতৈ চোথে+কোম-গী যেব—( ) মহুং (২) থাঙ (৩) মবিন (৪) পারপা (৫) বাংসাই (৬) মকল (৭) বকব। মীতৈ মোযোন+মোনসাঙগী যেক:— কুইন+লাংরান (১) চিংবি+হুংচিম (২) সেসো+হুঙম ৪) সোংসিব+খবতু (৫) ঙক+লাংরাম (৬ সিববুম+তুবিপ ৭) বুংজিব+চাকু।

চীংর-তম্মী মীতৈনি হাবা তসী ইবাদ লাইনা মক্তারবগী পাইদি মথক্কী যেক ৭ তসী উবগা হেক্তা খঙবা ঙম। যেং-বিগনবদি- মীতৈ তাংখুল বাঙপবী খুল অমগা-অমগা লোল খেন্নে লোল খেন্নবগী মতুং ইন্না যেকী রাজয় (লোন) তোঙানবা অনি থব উৎচার। অফংবা অনিসিনক উৎচবন, মখল কযানক লৈরি হাযনা খঙলিগনি। অতুগা মোযোন মোনসাঙগীনা যেক্কা পীপা অমি থোক্না চৎনৈ। এখোযনা থিজিনবা নমক্রিবা, নিক মাও মনা চিংবগী যক হাপচক্রি, যেক লৈ হাযবদি খঙজবে। তম্মী মতৈগী যেকী মহুৎ মহাক ওইনা সিজিন্নে, যেক্কা মতুংদা ফুমজনা চংবে, চীংমী মীতৈ বাঙলুপনিংগীনা যেক্কা যুন্নাক ওইনা চংনৈ। চীংমী তম্মী কনানা হাযনা থিকুবগী মথৌ ওইদে, যেক্কা মীতৈন হাবা সক্তাক্লে।

অতুগা লৈখিদ্রবা নাওরিযা লাইনিঙহন্না ইবিবন্থা "মীতৈ চৈথম ইবি অমসুং এগী রাবেং" দা অসুন্না হাযদি—"মীতৈ হাযব।

রাহি অসী মী + অতৈ হায়বিবা রায়েক অনিসিনা সুপখিত্নো ওই মাহযনি মীতৈ'বালগী রারী পুম্নমক থোকপ্রিবসিগী মরি মখো। খঙনফমসিদি মীতৈগী বাহৌবোন (ব্যাকরন) হাযবিবসিনা খঙ-ফম লাইরিক্তি। মযাং মরোলনা ব্যাকরন হাযরিবা অত্নগা অমত্তনি মীতৈ হাযবা রাহযসিনা ওইখিবগুম্না মী + অথোইবা = মীথোইব অন যাংবা বাংযবুমীতৈরোন্দা মপান নাযদনা লৈখিবনি। হৌ জিক্তা মীতৈনা হায়রিবদি মীবু মৈতৈ, মীহৌবোনবু মৈকৌবো-অম্নয়া হাযনৈ। মসাদি মীতৈগী রাহৌবান্না যাংখিদ্রবা রাহযনি' মসীমক মীতৈ হাযগনি হাযবা তাকপাবনি।

অত্নগা ভাগ্যচন্দ্র লাইরে লাথুপনা হাযবি— "ঐখোয় মীতৈ কৌরম্বনি, মীতৈগী নমসা পাকলৈ হাযত্নো লাইবক্তা অমত্তমং নমলম্বনি, অত্নবু শোই গোস্বাইনা দ্বাদশ তিলোক হাযত্নো চন্দ মথিল অমা হকচাংগী মফম ১১ দা চন্দন থিলহনখি। চন্দন মথিং অত্ন মীতৈশিংনা থিলবা হৈতবদগী মাযগী সরুক পুম্নমক চন্দন পুমতৈ তৈবদগী, চাংগী ফযেং-অন্দ্রো-সেকমাই-খুবখু-লৈম্রাম স্নু মোইবা নচিংবনা ময়তৈ হাযনা নোক্রখি। রাফম অত্নবু লেনন মাঙহংবা তেদনা মচেংখু নাং হোৎনংত্নো লৈবিনা মতৈ নিংথৌ ভাগ্যচন্দ্রনা মাবতৈদগী থৈথত্নো মৈতৈ হাযনা নাং ওন্থোকখি। মোইবদি ভাগ্যচন্দ্রগী নমাগী মপাম ওইবনা লোও (সেন্ট্রল কাষ্ট) ওইবদগী লৌখৎপিত্নো ৮-না সিঙদা চলহনখি। লোই হাযত্নো লৈবিবা পুম্নমক অসি অত্নগী পামহৈবা নিংথেম হাকথক্তা রামাল্লি ধর্ম্ম লো যাখিদবা অত্নানি, মীতৈ অবিবনি। চাংমী-তম্না মীতৈবু মাংহই সেংহগী চৎন-পখাপ্পা হুংসনহলখিদে।" রাফম আসনা তাক-

পদি— চীংমী-তম্মী মীতৈবু মাঙই সেংইগী চৎন-পথাপ্পা সুংসিন-হনশিদে"। রাকম অসিনা তাকপদি— চীংমী-তম্মী লোই হাযরি-বদিং অসি মীতৈনি হায়বনি। অছুগা মৈতৈ হাযবিবা মং অসীসু চহী ২০০ গী ঙকযা কৌনরক্লবা মিংনি। লাইবিক-লাইশু কযাদা ইছুনা লৈরম্লবা, চৎনরক্লবা মরমনা মৈতৈনি হাযনা কন্না ঙাংগি-বনি। মরম অছুনা মৈতৈ হাযবিবা রাকম অসী লাল্লি হাযনা হেক কৰুউবা য়াবা নত্তে' রাখল হেক ফংলকপা সুমীত্তা চুমদববু হাহ. ঙং। কোন্দুনা থম্বা হৌনদবনা চুমথে,বকনি হাযবা হংবা থমলি।

লখিত্রবা সনা কোমুংগী পণ্ডিত অচৌবা ওইবিবম্বা ওঝা চন্দ্রসিংহনা মৈতৈ হাযগদবনি মীতৈ লাল্লি হাযনা অকনবা সাকু পীবম্মী। অছুবু— মৈতৈ হাযবা অসা লম্মখাংগী, মিংনি খঙবি-উবিরক্লগা ইরাম্ন লাযনা থাদোবপিখ। থাদোকপীখিবগী খুদমদি "চৌংমী অমস্থং তমগী মবি অনিস্বুবা সরুক" হাযবা মনিপুর কল-চরেল ইন্স্তিত্রেসন্না ফোঙবা লাহাল্লক্তা "থাইনগী মীতৈ জাতি—. ম,তৈ" হায়বা আর্টিকল অনিদা মীতে হাযবহ্ ঐখোযনি হাযনা অকিবা লৈতনা সেংদোকপীরম্মী। অমনা মথক্কী লাইরিক অসী-মক্তদা "মেরা হাওজোংবা" আর্টিকল অমদা মেরা হাওজোংবা (হৌচোংবা) হায়বা অসীগী মরমদা সুগাইনা ইবিরম্মী— চীংমী-তম্মী অনিমচীল মনাওনি হাযবা ফোংদোক্লবা থৌরম্বু মেবা হাওজোং-বনি" হায়না। অসীমক্লসু চীংমী-তম্মী মীতৈনি, তৎন-পান যাত্রবা মচীল-মনাও ওইবা ঈগী মরিনি হাযবা তাকল্লি

অতুগা কংলৈপাক্তা লৈরিবা চীংমী মীতৈ পুম্বনা "রাকচীং" না থা ১২গী মকোক হোতুনা থাসীও থী, রাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমাইলোন পুকোক পুয়াবু সিম্বোকপা মতম, চহীগী কুমহৌ অহানবা কুমীত্তগী সিম্বোকপা হোবনা ১মীৎ ১৫নি চঙনা রাকচীংগী থানিন্দা লোইয়ে, হায়রি। মসীনস্মু চীংমী-তম্মী মীতৈমি হায়বা মযেক লানা তাক্লে। অত্থুগা মীতৈ নিংথৌ পাই-খোম্বনা মবাম খুল্লাকপগী মমোম চন্নু ইঙাল্লৈবু লৌতুনা লৈমা সিঙদা চন্দুনা লৈপাক্কী মমা ওইখি। অমনা মচা ঈবুঙো চরাইলোং খনা কবুই চোথে খুল্লাকপী মমোম চন্নু চাইবা লৌতুনা লৈমা সিঙদা চনখি। মসিমক্তস্মু চীংমী-তম্মী মীতৈনি হাযবা অসী মযেক সেংনা তাক্লে। লৈপাক্কী পীবারেলমক্তা চাং-চন্নুবু লৈমা কয়া হাপ-তুনা লৈপাক্কী মমা ওইহনখিবা অসীনদি লৈপাক খুন্নায অসীদদি মসিঙ থিঙমদনা চাবো মৌবোনবে হাযবা অসী ককপ যাত্রবনি।

মীতৈনি হায়না সৌগৎপা লাঈরিকসিং—

১) পামহৈবা লাবৈ লাথুপ ২) ভাগ্যচন্দ্র লারৈ লাথুপ ৩) রাকোক-লোন হীলেল থিলেল সালাই অমাইলোন পুকোক ৪) ৪৪স্নুবা ঋতু চেফোঙ ১৯৭২ (৫) মনিপুর কলচরেল ইন্তিগ্রেসন্না ফোঙবা— চীং অমস্নুং তমগী মরি অনিস্নুবা সরুক ৬) নাওরিয়া লাইনিঙহন (ফুলো) না ইবা— মীতৈ হোৌকম রারী অমস্নুং ঐগী রারেং ৭) মকরসিং মুনানসিং অনিনা ইবা মীতৈলোনগী অহানবা, মীতৈলোনগী অনি-স্নুবা ৮) রাহেংবম যুমজাওসিংনা ইবা— মনিপুর ইতিহাস মস্নুং লোনগী রাযেন। অসীতা নঙনা মীতৈলোলগী ব্যাকরন, মীতৈ সাহিত্য অহানবা অসিনচিংবা।

মীতৈ ঈয়েক অমসুং মীতৈ লোল

অঙানবদা ময়েক লৈরে, ময়েক্কী মমীং মযাম্না লেংলনা ফোঙ-দোরক্লে, লোলদগী ঈযেক সেমখি। ময়েক হায়বা রাহয় ঙসি অনি মুই, মতাদ—ভাইবঙপান্দা লৈরিবা পোৎলম পুম্নমকপু ময়েক লাই-থেক কৌই অতুগা অতোপ্পা ফুরুপ অমগী ওইনা হায়রবস্মু মাগী+য়েক=ময়েক কৌৗন। মালেমদা লৈরিবা ফুরুপ কযাগী ময়েক পুম্নমক পান্দা লৈরিবা পোৎলম কযাগী সক্তম (চিত্র) কৌত্না সক্তম ময়েক (চিত্রলিপি) ওইনা সিজিন্নরম্বগী রাবী কযা ঐখোযনা তানরি। ঙসিমক চাইনা, জাপানগী ময়েক অসী সক্তম ময়েক হাযবা অতুমক ওইরি, ময়েক অমনা রাহয অমা ওইনা ইত্নুনা সিজিন্নরী। ঐখোয় মীতৈগী দি অতু নত্তে; পিক্লবা হকচাং কযাৎ অসিগা তেংবালবা মালেম লমজাও অসিগা চপ মান্নে হাযবা ঈপা ঈপুসিং অতুনা উবম্মী। হায়বদি-পিক্লবা ভাইবঙ হকচাং অসী পাক-চাওরবা মালেম তেংবালবা অসীনা পিরা মওঙ লাকপনি হাযবা খঙলম্মী। মরম অতুনা ভাইবঙ হকচাং কযাৎ অসী মপু মানা য়েকপা ময়েক্কি, হকচাং কযাৎ অসিনা সক্তম ময়েক (চিত্রলিপি) ওইনা লৌবগা, হকচাং কযাৎকী মমীং মযাম অমীদগী মরুওইবা মমিং তরানিপানখক্কা ঈযেক ঈপী ১৮ সেমখি। ঈয়েক হাযবগী রাহম্বোক্তি—ঐগী ঈহাকচাংদগী লোত্নুনা সেমখী হায়বগী ঈয়েক কৌই। অমনা ঐগী ঈফুরুপকী+য়েকনি=ঈয়েক কৌই ঈয়েক হাযবা রাহয় ঙসীনা ঐগী খঙনৈ, নযেক হাযবা অসীনা নঙগী খঙনৈ, ময়েক হায়বা অসীনা মাগী খঙনৈ। হায়বদি— ঈয়েক,

নয়েক, মযেক হাযবা রাহয় অহুম অসীগী মতুংদা ঈয়েক হাযবা অহানবা রাহয অসিনা ঈসাগী, ঈকুরুপকী বঙৈ।

মীতৈ ঈয়েক হাযরিবা অসী পালচা কুমসিংগী মতুংইন্না ঙসি ফাওবদা চহী ৪০০০ বোমদগী মীতৈ ঈযেক লৈরে হাযবা থুদম ফংই। হায়বদি— ঙসি ফাউবদ পালচা কুমসিং ৩৩৭৬ সুরে, কুমাসিং পুথোকতুনা কংলৈলোন (হাস্তহাস) গী অহানবা লামাযদ মুকচৈ তাবা হাখিবা হাযবা অাস তকাইবা থবক নত্তে, চহী ২০০ ০ ছেনবগী মখক্তা অযেক লৈরক্লবনা কংলেপাকী কংলৈলোন ইবা হৌরকখিবনি। মমাং থাগী খোঙচৎ তৌখ ক্তুনা কুমাসিং অমা লেবকপা হায়বা অসি খেনঙচলোন (এস্ট্রোনোমি) গী ময়েক লারব মমিনি। পালচাগী মমাংদা লৈরকপা মীতৈ ঈযেক্কা লোযননা খেনচঙলোনগী মদাক য়াওনা অমদি সিংথালোন থুংহোং (এরিথমেটিক কালকুলেসন) য়াওনা লৈবকলে হাযবা অসানি। মতম অতুদা খনহৈবা (এস্ট্রোনোমর) মীওই কয়া অমম্তু লৈবে হাযবা অসানি। রাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমাইলোন পুকোক পুয়াগী মতুংইন্নদি— মীতৈ ঈযেক্কী রারী লাথুন অসী মঙাঙ নিঙথোনা মচানুপা অসংলেল কৈসং ঙাসাবদা তম্ব খিবা ঈযেক্কী লাথুন অতু অপোই-ননা মায়চৌনা মুংযাম্বা নিংথৌদা অমুক হন্না লৌবনি। অদুনদি চহী মসিং লাকসিনবা ঙমদ্রিংগী মতমদগী মীতৈ ঈয়েক লৈরম্নে, শিজিন্নখিবগী মতমদি পালচা কুমসিংগী মমাঙদগী শিজিন্নবা (তম্নবা) হৌরে হায়বা অসিনী।

ভাগ্যচন্দ্র লাবৈ লাথুপ্তা অমুন্না হায়রি—"চীংথংখোম্বগী মীতৈ বু মৈতৈ হেক কৌরুঙেদগী, হায়বদি— লোলচৎপু থুগ্গা রুবরগী

মীতৈগী ঈয়েক ঈশোল পুন্নমকন্থু বামোন কাসিরাম ঠাকুরগা তান্না চন্না সেমদোকখি। মীতৈগী ঈয়েকপু মচেৎ মচেৎ তাহনখি, ময়াংগী ঈয়েক মসোলবু য়ানসিন্দুনা মীতৈ পুন্নমক মপা-মপু মসক খঙদবা তাহনখি।

রাকম অসিনা তাকপদি— মাঙদা পঙ্গথবা, মীতৈ ঐখোয়বু চন্দনন্দা মাযদা লৈঙাং পাকতৈনবদগী পামহৈবা নিংথেম হাকখক্তা রামান্দি ধর্ম্ম লৌ হায়বা যাদবা চীংমী, অন্দ্রো, মোইবাং, ফযেং, লৈত্রাম, খুরখুল, সেকমাইনচিংবনা মীতৈবু মাযতৈ লংনবা রাহযবু খুদোংচাবা লৌহুনা মাযতৈ হাযবদগী থৈথরকতুনা মৈতে কৌখ। হায়রিবা লোই কাংবু অমাদ চীংমীনচিংবসিদি চন্দন থিল্লু হাযবা য়াখিদে, মোইবাংদদি ভগ চন্দ্রগী মমাগী মপাম ওইবনা হৈরম হৈফাওনা চন্দন থিংলখি। অঙকপনি— ময়াং ওক্তরোই হাযহুনা মীতে সেংলা লেজগে খন্দুনা বামান্দি লৌখদ্রপা মোইরাংনা নিঙোল অমগী মচানা পোকপা ভাগ্যচন্দ্রনা নিংথৌ ওইববদা সগোল হাঞ্জন কৈনা চাই হাযহুনা জাৎ তাখি। মীতৈবু মৈতৈ থাঞ্জিনখিবদগী খুদোংচাবা অমুক লৌখৎলকতুনা মীতৈগী ঈয়েক ঈসোল পুন্নমক বামোন কাসিরমনা সেমদোকখি, মীতৈ ঈযেকপু মচেৎ-মচেৎ থুগাইহুনা ময়াংগী ময়েক মসোল য়ানসিন্দুন মীতৈ পুন্নমক মপা-মপু মসক খঙদবা তাহলখি। রাকম অসিদগী মীতৈ ঈযেক হাযবা রাহযৱ অসী থুগাইহুনা মৈতৈ ময়েক হাযহনখিবনি। মথক্কী রাকম অসীনা মীতৈ ঈয়েক হায় হাযবা ভঙ্গীমদি চেনবা যারবাই। মীতৈ পুন্নমক মপা-মপু মসক খংদবা তাহনখি হাযবা অসীনা

ত্রাক্রিবসি— ঈয়েক্তা ঈপানি, ঈলোলনা ঈমানি হায়বা রাকমবু মীতৈসিংদা নৌনা নিঙসিংহল্লি।

মথক্কী লাইরিক্কী অমুকম্ব হাগরি— "ভাগ্যচন্দ্রনা মীতৈগী অহৈ-অসিং অঙোম গোপীনচিংবসিংবু কাসিবামনা সেমদোকলবা ময়েক্কা মীতৈগী সকোক য়াওবা লাইরিক মখৈবু মথক মখা ওন-থোকতুনা সেরাল তুরাল ইথোকহনখি। ইবা মতমদা নিঙথৌনা ফমজাওদা হিপলগা অইবসিংনা ফম্মাঙদা ফমতুনা ইথোকহনখি, লাইরিক পুন্নমক্কা অক্সি হাপচনখি। অতুগুম্বা লাইরিকসিং অহুবু সঙ্গাই ফম্মাঙ ০ত্রগা ফম্মাঙলোন হায়না খঙনখি।

রাকম অসিংগী খঙলে—অ'ঞ্জ হাপতুনা ইববা লাইবিক ময়াম অজু মীতেগা কান্নবা মচাক ১০০ গী মহুংদা কান্নদবা ৯০ য়াওরে, ঈয়েক অসেংবনসু ইয়ে হাযবা অসিনি। অমনা অক্সি য়াওবম্বা লাইবিকসিংদগী ময়েক অস্থুক্লি হায়বা থন্দোক্লগা ময়েক মসিঙলোমদা পুথোকতুনা থাজবা অমা থম্বীবসিংনা ঈযেক চৎন-হন্নবগী লম্বীদা তিঙখঙ ওইবে। হৌজক্তি মীতৈ চীংমী তম্মী খুন্নায় অসীগী ঈয়েক অমা চৎনহন্নবগী হোৎনবা অসীদা কংযেৎ তৌদুনা খুরৌ থাংবিদবা চুমলে।

লাইনিঙহন্না ইবিরম্বা "মীতৈ হৌফম রারী অমসুং ঐগী য়ারেংদা" অমুম্না তাকশিরি – "চীংমী তম্মী অনি অসী ঈপাদি অমত্তনি, ঈমাদি অমমমনি," অসীনি। রাকম অসিদগী ঐথোয়্বা খঙকম থোক্লে— ঈয়েক্কা ঈপানি, ঈলোলনা ঈমানি হায়বা রাকম নিংসিংহন্দুনা ঈপা ওইবা ঈয়েক ঈপাদি চীংমী-তম্মী অনিগী

অপুনবা ঈয়েক্কি, ঈমা লোলদি তোঙাল্লি হাযবনি। হাযবদি মীতৈ ঈয়েক হায়বা অসী চীংমী-তম্মী মীতৈগী অপুনবা ঈযেক্কি, লোল্মি তোঙাল্লি হায়বনি।

রাফম অসিমক অচুম্বনি, মায়চৌসিংগী মতুংদা কবুই তোম্বা, খোঙজাইখুন তেবিপা অমস্তুং কবুই সলাং হায়রিবা চীংমী মীতৈ সিং অসী মাযচৌসিঙদা চল্লি। অচুনদি— মীতৈ ঈযেক্কী পুযা ময়াম হৈবনা মায়চৌ ওইখিবনি অমদি মীতৈ লোলবু নি থিন মমুৎ তানা (খণ্ডব-1) পুযাগী লাঁ'বা ব্লাহম্বোক খণ্ডবদগী মায়চৌ হায়বা তাঙলবা মীংথোল কাবনি। মসীমক্না মীতৈলোলনা লৈবাক্কা খঙনলোল (মেজর লেঙ্গুযেজ লিঙ্ক লেঙ্গুযেজ) ওই হাযবা অসা লেঙদ্রবা খুদমনি। চাং-মা মীতৈসিংবু তম্মী মীতৈং উপ জাতিনি হাযবা মীওইসিং অমু ঈ চেংদবা নক্তগা মতুংগী ঈচেল খঙদবা হাগাযরা তৌবা মীওই-সিংনি। অচুগুম্বা মীওইসিং অদু চীংমী-তম্মী মীতৈ অনিনা মতিক থোকপা রাবকপা তাই।

রাফম অমনা লাইবিক লাইগু, পুয কংানা মীতৈনি হায়না লেঙদবা খুদম পীরবনা লোলবুসু মীতৈ লোল্ হাযরে হাযবা অসী লেঙত্রে, মীতৈলোল হায়না অচুমক লৈজরে। মীতৈলোলগী অহানবা মঁ তৈলোলগী অনিস্তবা, মীতৈলোলগী ব্যাকরন, মীতৈলোলগী ঈশৈ সকপা, মীতৈলোলদা অংবাদ তৌবা, মীতৈলোলগী সৈ:রং, মীতৈ লোলগী রাবেং অসিনচিংবা। মীতৈগী লোলবু মীতৈলোল হায়ব-সিদা করম্বা রাহৌবোন (ব্যাকরন) না ককপা ঙম্মরোই। কংলৈ-পাক্কী চীংমী মীতৈ কাংলুপ খুদিংমক লোল তিন্নদবনা মীতৈলোল

দা ভাংন-সররি, মীতৈলোলনা লৈবাকী খঙনলোল ওই হায়বা অমীদা চিংনফম কৈত্রমানে ।

মীতৈ ঈযেক অমসুং মীতৈলোলবু সোগৎপা লাইরিকসিং—

(১) পামহৈবা, ভাগ্যচন্দ্র লারৈ লাথুপ (২) মকরসিংহ, মুনান সিংহগী— মীতৈলোলগী অহানবা, অনিংসুবা (৩) রাকোকলোন ইলেল খিলেল সালাই অমাইলোন পুকোক (৪ রাহেংবম যুমজাও সিংহগী— মনিপুর ইতিহাস, লোলগী রাযেন (৫) চীংমী-তম্মী অনিগী মরি, অনিসুবা সরুক (৬' কংলৈ লীক মুখংলকপা (৭) যুম্নাবা তম্ফাজাওগী—মীতৈ থৌরমগী রাঙউলোন, মীতৈ লাই হরাওবগী রাঙউলোন, মীতৈ ঈযেক মশক তাকপা (৮) নাওবিয়া লাইনিংহন (ফুলো) গী— মীতৈ হৌফম রাবী, ঐগী রাবেং, হৌনবুং লাম্নবুং অমসুং অহন যাথং (৯) থোকচোম থোকাচানবগী— মীতৈ ঈযেক মপী, থৌরম পরেং অম্সুবা, লারৈ লাথুপ খিলেল অমসুং ১৯৭০ দা চাইখিবা লিপলেট ।

থৈরে

রাইঃ তফাজাওগী ফোঙবা লাইরিকশিং—

১। মীতৈ লাই হন্নাওবগী রাঙউলোন

২। মীতৈ ঈয়েক মসক তাকপা

৩। কংলৈ ঈযেক ১৮গী রাঙউলোন

৪। খেনচঙলোন (এষ্ট্রোনোমি)

৫। মীতৈ থৌবমগী রাঙউলোন

৬। কংলৈ ঈযেক হৈনবা ঈযেক ঈপী

নম্ফম— স্বরাজ প্রিন্টিং প্রেস, ইম্ফাল